# শান্নবগী লমদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং মণিপুর লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীনবা অপিল তৌরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ (ঐচ এন এস):

মণিপুরগী মীংচৎ পুরক্লিবা শান্নরোয়শিং, কোচশিং, টিম ওফিসলশিং, স্পোর্টসকী ওর্গনাইজেসনশিং অমসুং মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএশন (এম ও এ)না হৌজিক হৌজিক থেংনরিবা শেল থুমগী খুদোংচাদবশিং অসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না অপিল তৌরক্লি।

মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএশননা শীন্দুনা ঙসি খুমন লম্পাক্তা লৈবা এসোসিএশন অসিগী ভাবনদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবগী থৌরমদা এম ও এগী প্রসিদেন্ট সুনিল এলাংবমনা হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংগী পুক্নিং চীংশিনখিবগা লোয়ননা মহাক্না হায়, মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ঙসি ফাওবা মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএশননা ৩৮ লক শুবা নেশনল গেমস ২০২৫ উট্টরখন্দগী শেনফম অমা ফাওবা ফংবা লৈত্রি। উট্টরখন্দদা পাঙথোকখিবা নেশনল গেমসতা শরুক য়ারুবা শান্নরোয়শিং, ওফিসলশিং, স্পোর্টস ওর্গনাইজেসনশিং অমদি এম ও এনা থেংনরিবা অৱাবশিং অসি লৈরিবা লৈঙাক অসিনা খঙবীবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা পন্দুনা লৈরিবা শেনফমশিং অদু মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংদা পীথোক্লবা হোৎনবীয়ু হায়খি।

মহাক্না হায়, গোৱাদা পাঙথোকখিবা নেশনল গেমস, নাগালেন্দদা পাঙথোকখিবা ৩ শুবা নোর্থ ইষ্ট গেমস ২০২৪ অমদি ইন্টরনেশনল ওলিম্পিক দে ২০২৫ পাঙথোকখিবগী পন্দুনা লৈরিবা শেনফমশিং অদু লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা পীথোকপীয়ু। হান্নগী পন্দুনা লৈরিবা শেনফমশিং পীথোক্তবনা মরম ওইরগা লাক্কদৌরিবা নেশনল গেমস মেঘলয়া ২০২৭, নোর্থ ইষ্ট গেমস ২০২৬, কমন ৱেল্ঠ গেমস ২০৩০, ওলিম্পিক গেমস ২০৩৬কী য়েংলগা ষ্টেটকী মীংচৎ পুরক্লিবা শান্নরোয়শিং অমদি স্পোর্টস ওর্গনাইজেসনশিং অমসুং মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএশননা লৈঙাক্তা থল্লিবা ৱাফমশিং অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোক্লবা পুক্নিং চীংশিল্লকপগা লোয়ননা লমদম অসিগী মীংচৎ পুরক্লিবা শান্নরোয়শিং পুক্নিং থৌগৎপদা মীপুম খুদিংমক্না মতেং পাংবীয়ু হায়খি।

ঙসিগী পাউগী মীফম অদুদা মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএশনগী ভাইস প্রসিদেন্ট জি এ সনাতোম্বা, জেনরেল সেক্রেটরি এল জ য়েন্তকুমার, ত্রেজরর কিরনকুমার থাংজম লোয়ননা এসোসিএশনগী মরুওইবা থৌমিশিং য়াওনা ৰুশু, রোয়িং, কেনোয়িং এন্দ কয়াকিংগী টিম ওফিসিএলশিংসু শরুক য়াখিবগা লোয়ননা লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা মথৌ তাবশিং থবক্তা ওন্থোক্লবা অপিল তৌখি।



# দি এফ এ থৌবালগী থার্দ দিভিজন ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্ট টিম ৯না শরুক য়ারগা হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ (ঐচ এন এস):

দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন (দি এফ এ) থৌবালগী থার্দ দিভিজন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ টিম ৯না শরুক য়ারগা থৌবাল নিংঙোম্বমদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট মীনি ষ্টেদিয়মদা ঙসিদগী হৌদোকখ্রে।

টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক এসোসিএশন থৌবালগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা দি এফ এ থৌবালগী প্রসিদেন্ট মুতুম মনি, ভাইস প্রসিদেন্ট কে মাইকেল, থৌবাল কোলেজগী ফিজিক্স দিপার্টমেন্টকী রিটয়ার্দ হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট এসোসিএট প্রোফেসর ডা. থোঙাম কোমোল অমদি দি এফ এ থৌবালগী হান্নগী সেক্রেটরি কুলধজানা মরুওইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা টিমশিং অদুদি এন ৱাই পি সী থৌবাল নিংঙোম্বম, টি কে দল্লিয়ু এ তেম্বা, এম এম এফ এ হৈরোক, মৈরা এফ সী সী ৱাংজিং, সমরাম এফ সী, য়ু সী এফ এ লাইফ্রাকপম, এফ পি এন সী খোংজোম অমসুং পাঙ্গল এফ সী চরাংপাৎনি।

ঙসি হৌদোকপা নুমিৎকী অহানবা মেটচ ওইনা এন ৱাই পি সী অমসুং এম এম এফ এগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। নুংথিল পুং ৩ তাবদগী হৌরগা টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। অদুমওইনমক মেটচ অদুগী হৌগৎলকপা ১২ শুবা মিনটতা এম এম এফ এগী এম তোম্পোক্না অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

মেটচ অদুগী ২৬ শুবা মিনটতা এন ৱাই পি সীগী ওইনা পেনালটি কাওনবগী খুদোংচাবা অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু টিম অদুগী শান্নরোয় দল্লিয়ু কোলিননা হৈনা শিংনা পাঞ্জলদা ওন্থোক্তুনা ১-১দা মান্ননা লৈখি। মেটচ অদুগী ৩৭ শুবা মিনটতা এন ৱাই পি সীগী এন ধিরাজনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এন ৱাই পি সীনা পাঞ্জল ২-১দা লৈবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙম্নবা মখোয়গী হৈশিংবশিং মপুং ফানা উথোক্তুনা শান্নরকখি। মেটচ অদুগী ৬৭ শুবা মিনটতা এন ৱাই পি সীগী এন মহেসনা মখোয়গী টিমগী অহুমশুবা অদুগা মহাক্কীনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মেটচ অদুগী ৭৪ শুবা মিনটতা এন এম এফ এগী এন নেলসননা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। টিম অনীগী মরক্তা মখা তানা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা এম এম এফ এগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর ওইগদৌরিবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু এন ৱাই পি সীনা পাঞ্জল ৩-২দা মায় পাকখি।



# এম য়ুদা কংলৈ মুক্না চাংয়েংনবা পাঙথোক্লগনি




ইম্ফাল, মার্চ ১৪ (ঐচ এন এস):

ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক)না শীন্দুনা মথং থাগী ২৫ অমসুং ২৬তা কাঞ্চিপুরদা লৈবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ইন্দোর হোলদা অনীরকশুবা কংলৈ মুক্না চাংয়েংনবা ২০২৬ পাঙথোক্লগনি হায়না য়ুনিয়ন অসিগী হেল্ঠ এন্দ স্পোর্টস সেক্রেটরি মোইরাংথেম ভাস্কোনা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ৱাঙ্খৈদা লৈবা মহৈরোয় লুপ অসিগী ময়ায় লোইশঙদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ৱা ঙাংলদুনা মোইরাংথেম ভাস্কো চনুনা হায়, ইনাৎকী মশান্না য়োকখৎসি হায়বা ৱাখল্লোনদা য়ুম্ফম ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা মুক্না চাংদম্নবা অসি ষ্টেটকী থাক্তা কেটোগরি অনী থোক্লা পাঙথোক্কনি। কেটোগরি অনী অসিদা মকোক মথং তারক্লবশিংদা শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ৩০, লিশিং ২০ অমদি লিশিং ১০ য়াওনা সার্টিফিকেট অমদি মেমেন্তোনচিংবসু পীগনি।

লমদম অসিগী য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা ইন্দিজিনস গেমসশিং অসিবু য়োকখৎতুনা থম্বা হায়বসি লমদম অসিদা খুন্দারিবা য়েলহৌ ফুরুপ খুদিংমক্কী অচৌবা থৌদাং লৈ। মরম অদুনা মহৈরোয় লুপ অমা ওইরিবা সুকনা ইনাৎকী মশান্না য়োকখৎখি হায়বা ৱাখল্লোনদা পাঙথোক্কদৌরিবা মুক্না চাংদম্নবা অসিদা লমদম অসিগী মীয়াম্নসু মতেং পীবিয়ু অমদি লমদম অসিদা লৈরিবা মহৈরোয়শিংনসু শরুক য়াদুনা ইনাৎকী ওইবা মশান্না কয়া য়োকখৎনবা সুকনা পায়খৎলকপা থবক থৌরম খুদিংমক্তা মপুং ফানা শরুক য়ামীন্নসি হায়না হেল্ঠ এন্দ স্পোর্টস সেক্রেটরি মোইরাংথেম ভাস্কো চনুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1760**

**Aleksandr Ostrovskiy (2367) - Liam Putnam (2485)**
**Saint Louis Masters 2026 Saint Louis USA, 2026.02.25**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 Nc6 | 3.Bb5 e6 | 4.O-O Nge7 | 5.Re1 a6 |
| 6.Bf1 b6 | 7.d4 cxd4 | 8.Nxd4 Nxd4 | 9.Qxd4 Nc6 | 10.Qd1 Qc7 |
| 11.c4 Bb7 | 12.Be3 Bd6 | 13.h3 O-O | 14.Nc3 Bh2+ | 15.Kh1 Bf4 |
| 16.Qd2 Bxe3 | 17.Rxe3 Ne5 | 18.b3 f5 | 19.exf5 Rxf5 | 20.Ne4 Raf8 |
| 21.Qd6 Qd8 | 22.Ng3 Nf7 | 23.Qd2 Rf4 | 24.Rd1 Bc6 | 25.Re2 Qh4 |
| 26.Kg1 Ng5 | 27.Qe3 b5 | 28.Red2 bxc4 | 29.bxc4 h6 | 30.Rd4 a5 |
| 31.a3 a4 | 32.R1d2 e5 | 33.Qxe5... | | |

**QUESTION :** Black to win

**Puzzle 1759 Solution :**

**29. ...Qxc1+ 30.Rxc1 Rxc1+** *The black rook deflects White's king away from protecting the square a1.* **31.Kxc1 bxa2 32.Kc2**
*32.Qxh7 a1=Q+*
**32. ...a1=Q**
**0-1**




HL-B/11160/02 Feb.-06 Apr.( Alt)



HL-B/11226/15



Title : Crown
By : Areinu Maibam
Class : III Roll No. : 24 Sec. : Iris
School : SL. Arena of Learning Kongpal



Title : Fish
By : Asharika Okram
Class : V Roll No. : 21 Sec.
School : The Little Star English School



Title : Monkey
By : Devendro Irengbam
Class : II Roll No. : 62 Sec : D
School : Standard Robarh Hr. Sec. School



Title : Mountain
By : Ipham Shoaib Akhter
Class : III Roll No. : 27 Sec. : C
School : Standard Robarth Hr. Sec. School




Title : Gojo
By : Leishemba Pukhram
Class : IV Roll No. : 15 Sec. : B
School : St. Xavier's School, Moirang



Title : Fish
By : Mangalsana Khundrakpam
Class : V Roll No. : 20 Sec :
School : The Little Star English School




Title : Tol Truck
By : Meiraba Thingbaijam
Class : I Roll No. : Sec :
School : SL. Arena of Learning



Title : Tortoise
By : Ph. Moshina
Class : II Roll No. : 30 Sec : D
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : House
By : Thingbaijam Lanchenbi Chanu
Class : I Roll No. : 69 Sec : D
School : Little Flower School



Title : Scenery
By : Ahenba Keidongbam
Class : Roll No. : 7 Sec :
School : The Midfeild

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com